ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯰꯲, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯹꯷ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেল, জুলাই ০২, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৯৭শুবা মশীং

# ফ্রন্ট লাইন ৱর্করশিং ক্বারন্টিন তৌবা

## অচূম্বা খোঙথাং ওইরবসু অচঙবা শেনফমদি লৈঙাক্না পুথোক্কদবনি

কোভিদ-১৯গী লাইচৎকা লান্থেংনবদা মাঙজিন থানা মথৌ পাঙথোক্লিবা দোক্টর অমদি হেল্থক্যের ৱর্কর পূন্নমক দ্যুটিগী মতম লোইরগা তঙাইফদনা ক্বারন্টিন তৌগদবনি হায়বগী মতাংদা য়েৎনবা কয়া থোরক্লে। খ্বাইদগী মরু ওইনা য়েৎনরিবা ৱাফমদি হেল্থ ৱর্কর পূন্নমক মশা-মশানা শেল পুথোকচরগা পেদ ক্বারন্টিন সেন্টরদা লৈহনগনি হায়বগী মতাংদনি। হীরম অসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্থ দিপার্টমেন্টনা থোকখিবা ওফিস মেমোরেন্দম অমনা হায়খি, দোক্টর অমদি হেল্থ ৱর্কর পূন্নমক হোম দিপার্টমেন্টনা পেদ ক্বারন্টিন সেন্টর ওইনা লাউথোকখ্রবা হোটেলশিংদা লৈনবগী খূদোংচাবা পীরগনি। তৌবতবু অচঙবা শেনফম পূন্নমক মশা-মশানা পুথোকচগদবনি। মণিপুর লৈঙাক্কী নোটিফিকেসন অসি সোসল মীদিয়াদা ভাইরেল ওইনা শন্দোরকখ্রবা মতুংদা তোঙান-তোঙানবা মায়কৈদগী মীওই কয়ানা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকখি। মীয়াম্না খ্বাইদগী য়ানিংদ্রিবসি থৱায় খূবাক্তা হাপ্পুনা কোভিদ-১৯গা লান্থেংনরিবা ফ্রন্ট লাইন ৱারিয়রশিং মশা-মশানা শেল পুথোকচরগা ক্বারন্টিন তৌগদবনি হায়বা ৱাফম অসিগী মতাংদনি। দোক্টরশিংগী এসোসিয়েসন কয়ানসু লৈঙাক্কী থৌরাং অসিবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরক্লি। তোঙান-তোঙানবা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিং, আইসোলেসন ৱার্দ অমদি স্ক্রিনিং সেন্টরদা মথৌ পাঙথোক্লিবা হেল্থ ৱর্করশিং অমসুং দোক্টর পূন্নমক শেল তিংদনা ক্বারন্টিন তৌনবগী খূদোংচাবা ফংহনগদবনি হায়না ওল মণিপুর হেল্থ সর্ভিসেস দোক্টরস এসোসিয়েসননা ফোঙদোরক্লি। এসোসিয়েসন অসিনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনদা পীশিনখিবা চেরোল অমনা হায়খি, লৈঙাক্না মতম-মতমগী ওইনা ফোঙলকপা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর (এস ও পি) ঙাক্না কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবা হোৎনবদা হেল্থ ক্যের ৱর্করশিংনা অঙন্বা থাক্তা থৌদাং লৌরি। দেদিকেটেদ ক্বারন্টিন সেন্টর অমা হাংদোকপীরগা হেল্থ ক্যের প্রোভাইদর পূন্নমক শেল তিংদনা ক্বারন্টিন তৌনবগী খূদোংচাবা ফংহনবীয়ু হায়নসু এসোসিয়েসন অসিনা তকশিনখি। অমরোমদা, কোভিদ-১৯গী পেসেন্টশিং লায়েংবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবা দোক্টর অমদি হেল্থ ক্যের ৱর্কর পূন্নমক মশানা শেল পুথোকচরগা পেদ ক্বারন্টিন তৌহনগনি হায়বা লৈঙাক্কী থৌওংবু ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিয়েসন মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনসু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

অতোপ্পা ষ্টেটশিংদদি দোক্টর অমসুং হেল্থক্যের প্রোভাইদর পূন্নমক ফাইভ ষ্টার হোটেলদা ফাওবা শেল অমত্তা তিংহন্দনা ক্বারন্টিন তৌনবগী খূদোংচাবা পীরি হায়না পল্লদুনা এসোসিয়েসন অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ষ্টেট লৈঙাক্না লৌরক্লিবা ফিরেপ অসিনা ফ্রন্টলাইন ৱারিয়রশিংগী পূক্নিং শোন্থহনবা য়াই। মালেমদা কোভিদ-১৯গী কেস মশীং খ্বাইদগী য়াম্বদা ইন্দিয়ানা মরিশুবদা লৈরবা তানফম অসিদা হেল্থ ক্যের প্রোভাইদরশিংগী থৌদাং অসুক্কী মতীক মরু ওইরে হায়বা মীপূম খূদিংমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। অদুবু লুরবা তানফম অসিদা দোক্টর অমদি হেল্থ ক্যের ৱর্করশিংনা শীজিন্নগদবা পর্সনেল প্রোটেক্টিভ ইক্বিপ্টমেন্ট (পি পি ঈ) মরাং কায়না ফংহন্দ্রে হায়না মায়কৈ কয়াদগী ৱাকৎনরক্লিবসি খ্বাইদগী লাইবক থীবনি। নাকল অমরোমদা দোক্টরশিংনা অনাবা কয়াগী পূন্সি কন্নবা হোৎনরি। অতোপ্পা নাকল অমদনা দোক্টর মশামক খূদোংথিনিংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসি পোজিটিভ ওইরকপা য়াবগী রিস্ক মায়োক্নরি। দোক্টরনা অনাবা মীওই অমা লায়েংলুরগা অতোপ্পা পেসেন্ট অমা লায়েংবদা কোভিদ-১৯ শন্দোকখিবা য়াই। দোক্টরনা অনাবা অমা লায়েংলুরগা মশা খঙজদনবু ওইরবসু নৎত্রগা চেকশিনহৌদবদগীবু ওইরবসু অতোপ্পা পেসেন্ট অমদা কোভিদ-১৯ শন্দোকখিবা মতমদা ইন্দিয়ন পেনাল কোদ (আই পি সী)গী সেক্সন ২৬৯ নৎত্রগা সেক্সন ২৭০গী মখাদা চৈরাক ফংনিংঙাই ওই। মরম অদুনা হেল্থ ক্যের ৱর্করশিংদা মতীক চাবা পি পি ঈ পীবীবা অমসুং লৈফম-চাফম নীংথিনা থৌরাং তৌবিবা হায়বসি লৈঙাক্কী শোয়ফদ্রবা থৌদাং ওইফম থোকই। কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবা হোৎনবদা মাঙজিল থানা মথৌ পাঙথোক্লিবা হেল্থ ক্যের ৱর্কর কয়া খূদোংথিবা মায়োক্নবা য়াওখ্রে। খ্বাইদগী ইকোন-কোনবা ওইনা দিল্লিগী লোক নায়ক জয় প্রকাশ হোস্পিটালদা থবক তৌবা দোক্টর অমা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমীৎতা লৈখিদ্রে। লৈঙাক্না চল্লাইবা হোস্পিটাল অদুদা কন্সল্টেন্ট এনেস্থেসিওলোজিষ্ট ওইনা থবক তৌবা ডা. অসীম গুপ্তনা মথৌ পাঙথোক্লিঙৈদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকখিবনি। মতৌ অসুম্না থৱায় খূবাক্তা হাপ্পুনা মথৌ পাঙথোক্লিবা হেল্থ ক্যের ৱর্কর কয়া খূদোংথিবা মায়োক্নবগী থৌদোক তোঙান-তোঙানবা মফমদা থোক্লিবনি। শিরবা মতুংদা লুপা লাখ ৫০ পীগনি হায়বদুনদি ওইবা য়াবা নৎতে। মথৌ পাঙথোক্লিঙৈদা থৌনা হাপকৎপীবগা লোয়ননা পূক্নিং থৌগৎপা য়াবা থৌরাং কয়া লৌখৎপা মথৌ তাই।

## ◇◇◇◇◇◇◇◇◇ এডিটরদা থারকপা চিঠি ◇◇◇◇◇◇◇◇◇

### পুকচেল শেংনা অমগা অমগা তাথোক-তাশিন তৌনদুনা লৌমী-শিন্মীশিংবু য়াইফহল্লসি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

মণিপুরদা লৌমী কাংলুপ হায়রগা মরু ওইনা লৌউ-শিংউ তৌরিবা লৌবুক্তগী ফৌ/চেঙ পুথোক্লিবসিবুনি হায়না লৌজে। পামফেল হুনবা হায়না খঙনবা চৎনবীসি তোংলপ তৌবা শাবল লৌফমশিংদা থাইনা মমাংঙৈদগী ইপা-ইপুশিংনা ঈথৈ লৌখোঙগী খুদোংচাবা ফংদবা লৌফমশিংদা লৌউ পথাপসি তৌদুনা লাক্লি। অমরোমদা, নোংজু থা ইঙা- ইঙেনগী নোংনা অমদি ঈশিং তুংদুনা নত্রগা মনাক নকপদা ময়ায় ওইরপ ঈশিং লৈবশিংনা ফৌদি হুল্লবা মতুং লৌ লিংবা হায়দুনা ইরমদমসিগী লোইজিং লোয়া খুদিংদসু লৌউ কাংলোনসি উনরি। লাইবক থিবদি স্কৱার কিলোমিটর ২২,৩২৭ পাক চাওবা মণিপুরদা শুপ্নগী লৌউবা/ফৌ থাবা য়ারিবা তম্পাক্কী লৌফমসী চাদা ৬/৭ খক্তনি। মসিগীসু মথক্তা পীকখ্রবা মফমসিদা অমুক্তনি চহী অমদা লৌ উনরিসি হায়বদি ইঙা-ইঙেনদগী হৌরগা হিয়াঙ্গৈ পোইনু ফাওবা থা ৪/৫তনি। ওইবা য়াবা মরমদি ঈথৈ লৌখোঙগী খুদোংচাবা মতিক চানা ফংদবগীনি হায়বা য়াই। লাইগী নোংদমদা মহৌশাগী খুদোংথীবশিং হায়বদি ঈশিং চাওবা, ঈকং থোকপা ময়ামসিবু মায়োক্নদুনা লৌমী ইচিল-ইনাওশিংনা লৌউ-শিংউ তৌনরি। মতমনা পুরকপা অওনবা অমনা ঙসিদি লৌবুক-লম্মাং কয়া অমা স্কুল, কোলেজ, চেক্নোন ওইশিল্লকপা, য়ুম-কৈ শাজিল্লকপসিনা মরম ওইরগা ইরমদমসিদা ঐখোয়গী অমত্তা ঙাইরবা লৌউবা, ফৌ/চেঙ পুথোকপগী চাং নোংম-নোংমগী মীপায়নিংঙাই, খুকউ শেন্নিংঙাই ওইরক্লি।

লৌমীশিংনা থেংনরিবা অৱাবা পোৎলুম কয়া অমা লৈরিবা ময়ামসি লৈঙাক্না অমদি মরী লৈনবা লৌউ-শিংউ লোইশঙ খুদম ওইনা দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্কী কৃষি বিগ্যান কেন্দ্র, ইন্দিয়ন কাউন্সিল ওফ এগ্রিকলচর রিছার্স সেন্টর লম্ফেলপাৎ, সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটি ইরোইশেম্বনচিংশিংসিনা কুপশেন শেন্নরি, য়েংশিল্লি, তেংবাংলি হায়বা ঐখোয়না সোসল মিদিয়া, প্রিন্ট এন্দ ইলেক্ট্রোনিক মিদিয়াশিংদগী উরি তারি। অসিগীসু মথক্তা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টগী তোঙান-তোঙানবা স্কিম ময়াম অমা মমিং ওইনা পল্লবদা কৃষি ক্রিদিট কার্দ, ইক্বিপমেন্ট নত্রগা ফর্টিলাইজরশিং লৌমীশিংনা লৈবদা লৈঙাক্না সবসিদি পিবিরি। অদুম ওইনমক মরম অমা নত্রগা অমদগী ফর্টিলাইজর/হার লৌমীশিংদা লৈঙাক্কী লৌউ-শিংউ লোইশঙনা য়ৌহনবদা ৱাথোক-লান্থোক অমদি অদুম থোক্তুনা লাক্লি। লৈঙাক্না পীরিবা ফর্টিলাইজর লৌমী খুদিংদা য়ৌহনসি, লৌমীশিংনা লৌউ-শিংউবদা চঙগদবা পৈশা লৈঙাক্না বেঙ্ক লিঙ্কেজ তৌবিরগা লোন/ক্রিদিট পীবিদুনা পুক্নিং থৌগৎপীবা য়াই॥

চিঞাক্তা মরু ওইনা নোংমগী চংদবা য়াদ্রবা ফৌ/চেঙ পুথোক্লিবা ইরমদমগী লৌমীশিংবু মরী লৈনবা লোইশঙ অমদি হীরমসিদা খঙ হৈরবা মীওইশিং কোক চুংশিন্নদুনা মতেং পাংশিল্লগা চিঞাকতা মীপান তাংদবা ইরমদম অমা ওইহনসি। লোইজিং লোয়াদা লৌউ-শিংউ তৌরিবা লৌমী পুন্নমক্তা মোমোন মিনোক তমহন্দুনা চাথোক হেন্না পুথোকপা ঙমহনসি। ঐখোয় ফৌ-চেঙগী অৱা-পোৎলুম পুরিবসিদগী খরদা ওইরবসু কোকপা ঙম্নবা লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা মরা চেৎপা লৈঙাক, মীয়ামগী লৈঙাক ওইহনসি। লৈঙাক্কী থৌমী ব্যুরোক্রেট, রিছার্সর অমদি সী এস ওশিংনা পুকচেল শেংনা অমগা অমগা তাথোক-তাশিন তৌনদুনা লৌমী-শিন্মীশিংবু য়াইফহল্লসি।

**অদোমগী : ৱাহেংবম প্রেমচান্দ কুম্বিচা**
শগোলবন্দ হৈনৌপোক

# মতমসিগী ৱারী অমা

**সোইবমচা ইন্দ্রকুমার**

দাক্তর সুরেস, মীগী অনাবা য়েংবা দাক্তর নত্তে। এম এস সী (মাষ্টর ওফ সাইন্স) লোইরগা করিগুম্বা অমদা কূপ্না থিজিন-হুমজিন তৌরগা দোক্টরেট দিগ্রী লৌখিবনি। ময়াম্নদি হায়নখি - সুরেস বাবু নোংমদি শোয়দনা কোলেজ নৎত্রগা য়ুনিভর্সিটিগী ওজা ওইরনি। মহাক্কী দোক্টরেট দিগ্রী তরায় তরায় ফংলকখিবা নত্তে। এম এ তম্বা লোইরগা প্রাইভেট কোলেজ খরদা হোং হোংদুনা ওজা ওইবা চৎলম্মী। পব্লিক স্কুল অমদসু চহী অহুম ওজা ওইরম্মী। মতমদুদা লুহোংখিবনি, মাগী নক্নবা মরী-মতা অমগীদা অথাপ্পা খুঙ্গং অমদগী লাক্তুনা অশানবা য়ূমদা লৈরগা লাইরিক তম্লকখিবী মালতি'গা। লুহোংলবা মতুংদনি দোক্টরেট দিগ্রী ফংখিবা। মমা-মপানা য়াখিদবা লুহোংবনি। মদুনা মরম ওইদুনা ইমুংদগী তোঙান তাখিবনি। মতম খরা মীগীদা তাংদুনা লৈরম্লগা, পিক্তকপা ইস্খোল অমা লৈরগা কোন্না য়ূম শাখিবনি। মাগী অহানবা মচানুপাদু পোকপা হাক্তক্তা মহাক্না হৌজিক তৌরিবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী থবক অসি ফংখিবনি। থবক মচা নত্তে ওফিসরগী পোষ্টনি।

মশক মতৌ, শাওং শাবান - মীনা কল্লক্নরিবী 'মালতি' অমদি চূং ফিরান চাবা দাক্তর সুরেস অনীগী মপারি-পোকপা মতুং কুইদ্রিঙৈ অউবনা শোন্নখিবনি 'ফজখ্রেদা অঙাংসে'! অঙাংসে চাউরক্লগা করি ওইহনগনি? করি স্কুলদা থাগনি? মমা-মপা অনীগী মরক্তা চাউনা মোত খেন্নখি। মালতিনা পাম্মী - মচাবু মনাক্তা থম্লগা মহে-মশীন তমহনবা, মপূম-মরৈ ফারক্লগা মমিং চৎপা গুরুকুল-সিষ্টম চৎনবা স্কুল অমদা থাজিনবা, ধর্ম্ম-কর্ম্মগী ৱাখল নীংথিনা চেনবা।

- উম! নচাসি চাউরক্লগা মথীবোং চরা হেলহনগে, মমান্নবা ওফিসর, দাক্তর মরক্তা মী কনানসু তাবীদবা লাইনীং লাইশোন তৌহনগে, গীতা পাঠ তৌহনগে, ঐগী ঈজৎ য়োলহনগে - 'সিনিনে!

- দাক্তর ইঞ্জিনিয়র ওইরগা, মমা-মপাগী সেবাবু অৱা-পোৎলুম অমনি খনগদবা ইচাদুদি ঐহাক পামজদে।

- খুন্নুংগী মীনা খনগদবা ৱাখলদু থাদোকউ মালতি। মতম অসে হোংলবনি। নঙ ঐনা হিংলিবসে সাইন্টিফিক এজ হায়বদুদনি। হোংলক্লিবা মতমসিগী এদ্যুকেসন য়াওদনা মতমসিদা হিংবা ঙম্লোই। সরভাইবেল ওফ দ ফিত্তেষ্ট - অকনবনা হিংহৌবা, অশোনবনা মূৎখিবা। নেচরেল লো অসিদগী ঐখোয় কনাসু নান্থোকপা ঙম্লোই। মতমসিগী এদ্যুকেসন পীদুনা মতমসিগী মী ওইহনহৌদ্রবা, মথংগী মীরোল অদুনা মমা-মপা ওইবশিংবু কৈদৌনুংদা ঙাকপীরোই।

মতম খরগী তুং অনীশুবা অঙাং থুংলরে। হন্দকসু নুপামচানি। মনি মতূম অনী শুরকপদুদা হরাওবনা লুতোন শাৎলে। দাক্তর সুরেস। মমান্নবা, মরুপ-মপাং, মরী-মতা পূন্নমকপু কৌদুনা অচৌবা চাক্লেন পীজরে। মপুরোইবগী হরাও তয়াম ময়ামদুদা মালতিগী শরুক্তি য়াওখিদে। মরম? মচাদুবু মহাক্না ওইহন্নীংবা মীশক্তু ওইহন্নবা শেন্বা মাগী মপুরোইবনা য়ারক্লোই হায়বা, মহাক খঙই নীংথিনা। মহাক্না চিংনখিবদু চুম্লকখি। মাগী মৱা লৌবীখিদে। অহুমশুবা মচা পাম্লক্ত্রে। অদুবু, অমুক খল্লকই 'ইচা নিংঙোল অমত্তং য়াওরবদি ঐনা অহল ওইরক্লগা ঐগী ইতেং ওইননিসে...'।

নুপী ওইরক্লবদি খন্দুনা অহুমশুবা থুংলবা অঙাংদুসু ওক্লুরে তরাম তরাম্না। লাইবক থীবা হায়গদ্রা, হন্দকসু নুপা ওইরক্লে। 'ইচানা হয়েং চাউরগা করন্বা মীথোই মীহেন ওইহনসিগে' ... হন্দক্তি তানরুদরে। মপুরোইবনা অপাম্বদু তৌজরসনু। মহাক্না খনখিবদুমক থোক্লরে। শেল চঙবা, মপানগী অচৌবা সহর অমগী রেসিদেন্সিয়েল স্কুল অমমমদা মচাশিংদু থমখরে। মচাশিংদু মথাদগী শেৎনবদা মমা ওইবী মালতিদা ফংখিবা চৈথেংদু মপা ওইবা সুরেসতদি ফংলম্লোই- মদোম তুমিন খনখিবনি।

মপুগী নোংদম অঙকপনি। পামদ-পামদ ওইরকখিবা মরিশুবা অঙাংদুসু পারি ওইনা থোক্লক্লে। হন্দক্তি দাক্তর সুরেস, মালতিদা য়েৎলুদ্রে... অঙাংসিনা চাউরক্লগা মথী লৌদুনা চাবদু নহাক য়েংদুনা লৈবা ঙমগদ্রা....? ওইরম্বসু য়াই, মরিশুবা অঙাংদুগী স্কুল বজেট মহাক্কী ফুরিৎখাওদুদা য়াওরক্তবা! মরাইবক ফবা হায়গদ্রা? লাইবক থীবা কৌগদ্রা? মরিশুবা মপারীদুদি মপা ইবুংঙোনা পলেম মঙোন্দা শিন্নরে। মালতিগী অপাম্বদা মপা অমা ওইনা সুরেসনা নোংমতসু য়েংলুদ্রে।

লেপ্পা লৈতবা মতমগী খোঙজেল জর-জর চেন্থখি। হায়-ফাই এদ্যুকেসনগী মঙাল ফংলবা মপারি অহুম মতিক চারবা, মঙাল নাইবা মীওই অহুম ওইরক্লে - দাক্তর, ইঞ্জিনিয়র অমদি বেঙ্ক মেনেজর। য়াংকোকমুক্তং পাল্লম্বা দাক্তর সুরেসকী মমায় ফৌরাগুম্না পাল্লক্লে। ইতোন তোনবা, মরিশুবা মপারি - ময়াম্বা অহুম অদুগী অরং-অরাক, সনা-লুপা, জীপ-কারদা খোঙনেৎনবা পুন্সি অদুগী মিকাবা ৱাখল অমত্তা পোক্তনা লাইগী লাইশঙ অমগী পুজারি ওইনা লৈরগা 'সেল্ফ কন্সসনেস হায়বসিনা খ্বাইদই চুম্বা লাইনীং লম্বীনি' হায়বা ৱাখল্লোন অসি শন্দোকপা ইন্টরনেসনল সোসাইটি অমগী মেম্বর ওইনা লৈ।

ময়ূম-মকৈ পানবা য়াবা চহী তাঙ্কক য়ৌরক্লে। পিক্তক-চেংতক লৈরম্বা য়ূম অদু য়েৎলোম-মাইরোম লোঙথোকহল্লক্তুনা ইমুং অহুম লিংননবা শেম শারকপদুদা পেঞ্জবা পোল্লবা মপা ইবুংঙো সুরেসনা হায়, নোংমা, মাগী লোয়নবী মালতি'দা ... 'ঐগী ইচা অহুমসিগীদমক্তি নঙ-ঐনা করিসু নুংনাংনীংঙাই ওইদরে, মশা মরোমদোম মঙাল নাইনা হিংজহৌবা ঙম্লনি... ঐনা হৌজিক ৱারিবদি নচানুপা অতোনবা, লম্বোইবসিগীদমকনি ... ঐদি হায়খিবদুনি মমাঙদসু মতমগা চূননা হিংবা ঙম্নবা মতিক চাবা এদ্যুকেসন পীসি হায়দুনা ... নঙগী নিংঙাইদুগী খল্লুবদা নঙগী নীংবা থুংজরসনু খন্দুনা থাদোক্লুবা, করি থোক্লে হৌজিক্তি! করম্বা মমা-মপানা লম্বোইবা অমদা মচানুপী থাজনীংগদগে... মহাক্কীদমক খল্লুবদা খূয়া তুশিংনা শিবা ঙম্লোইদৌরিবনি ইবানি'...।

- মোয় পাবুং! ঐনা ৱাজরিবদি ইচা অতোনবা লম্বোইবসিগী নত্তেনে... ঐগী পুন্সি খোঙলোয় ওইদুনা শিবা ফাওবা লোয়নদৌরিবা মোয় পাবুংগীদমকনি। অদুক লৌশিং শিংলবা, মীনা ফিদম্নরিবা মোয় পাবুংনা নচা ফাওবা মশক খঙবা ঙম্লমদবসিগীদ'মক্লি ৱাজরিবা ... ঐনা শিবা ঙমদ্রিবদি ইচাগী লাংতকপদুনা নতে, নঙগীদমক খনবদনি।

মথংগী নুমিৎ, নুমিদাংৱাইরম মপুরোইবদা হঙ্গৎলি 'ঙসিদি ৱা ঙাঙদনা মোয়-পাবুংগী কাদুদা তুমিন্না অমুক্তং লৈবীয়ু, নহাক লৈ হায়বগী শামিন অমত্তা ফংহনবীরক্কনু'। ঙকচানখি সুরেসবাবু, করিনো মালতিনা তৌদৌরিবা?

মচানুপাশিং হল্লক্লবা মতমদুদা, মানা ইল্লিবা ফি অদু শেগায়দুনা মকোক্তুদা য়েৎশিল্লে। লাইবক মপা অদুদা ঈ মচুগী শিন্দুর নংনা-থীৎলগা তৈশিল্লে, খূজিন্দুনা মমায়দুসু খোৎতৎলে। চুরি তাফম অদুদা চিন্তা পুদুনা ফমখরে। মচানুপা অহল'না মমাগী ফীভমদু উবদা হংই, 'কৈদৌরে ইমা? কৈদৌবদা শোক্লিবনো?'

'নপাগা খৎনবদা ফুরক্তুনা শোক্লিবনি'।

'হনুথংসিদা করি চাগেনা ঙাওশিন্নরিনো! ববাবু কদায় লৈগে?' শাউনা হংলকখিবনি।

'মমান্নবশিংগা থোকখিবনি লমজাও রোমদা'।

'মা লাক্লগা কৌরকউ, ঐ ৱারী শাগে'। হায়রম্লগা চঙখরে।

পাউ অদু তাবদা মচানুপা য়াইমদুনা হায়রমখি, 'ইমা! হনুথংসিদা য়ূমপানবা নৌরিবা নুপা-নুপীনা তৌগদবা থবক্তো তৌনু য়েংনীংদে, ববাদা খরা হায়বীয়ু'। অহুমশুবা বেঙ্ক মেনেজরদুনা হায়, 'থবক ৱানা শূরুরগা হল্লকপসিদা হনুবা-হনুবী অনীনা কেনবদু য়েংনীংদে , ইমা'।

মরিশুবা মচানুপাদুনা, মমাগী ৱা তারগা, মমাগী খূৎ পায়রগা মনাক্তা ফমথরগা হায়রকখি, 'ইমা! অসুক কুইবসে, ববানা ইমাদা নোংমতসু চৈ-থাংবা উরকখিদ্রি, ববানা করিগুম্বা শাউরক্লম্বা থোক্লবা, মাগী নীংবা থুংদবা করিগুম্বা অমা লৈরমগনি নৎত্রগা ইমানা খন্থহৌদবা অশোয়বা খোঙথাং অমা থাংলমগনি,... নহা ওইরিঙৈ মতমগী পূক্নিং ইথিল কয়ানা ইনশিল্লিঙৈ মতমদুদা ইমাগী মফমদা নোংমতসু অকনবা ৱাহৈ হায়খিদবা ববানা, ঙসি, চহীনা ননশিল্লক্লবা পুন্সি তাংকক অসিদা চৈফম নাইনা, ঈ থোক্না ফূরক্কনি হায়বসে থাজবা ঙমদে নচানা'...।

মখা তানা মমাদা পীখিবা পাউতাক্তো, দাক্তর সুরেস লোইনা তাবা ঙমখিদ্রে। পিনা থুমহৎলবা মীৎকী ঈরা অদু পাথোক্লক্তুনা মথম্মোয়দু থুমহৎখ্রে। ●

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ১২৩

**উসম ধনঞ্জয়**

**ওক্টোবর ২৬, ২০০৯ :** লালহৌলূপ কে ৱাই কে এল (এম দি এফ) কীনি হায়বা মীওই মঙা য়াওনা তোঙান-তোঙানবা লালহৌলূপ মঙাগী মীওই ১৩ ঙসি ৫৭শুবা মাউন্টেন দিভিজনগী জি ও সী মেজর জেনরেল শক্তি গুরুংগী মমাঙদা সরেন্দর তৌখি।

সরেন্দর তৌবগী থৌরম অদুদা মেজর জেনরেলনা মণিপুরদা ওপরেট তৌরিবা খূৎলায় পায়বা লূপকী মীওইশিংগী মনুংদগী মেনষ্ট্রিমদা হল্লক্নবা খূৎলায় থাদোক্লিংলবশিংগীদমক আর্মিনা মতম চূপ্পদা থোঙ লাউনা হাংদুনা থল্লি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

থৌরম অদু চুড়াচান্দপুরদা লৈবা ৩শুবা বট্টালিয়ন অসাম রাইফলসকী হেদ ক্বার্টর ভেঙদা পাঙথোকখি। খূৎলায় থাদোক্তুনা চঙজরকখ্রবশিং অদুদি লালহৌলূপ কংলৈ য়াওল কন্না লূপ মিলিটরি দিফেন্স ফোর্স (কে ৱাই কে এল - এম দি এফ) কী মীওই মঙা, য়ুনাইটেদ কুকি লিবরেসন আর্মি - মিলিটরি কাউন্সিল (য়ু কে এল এ - এম সী) গী মরি, অসামগী নোর্থ কছার হিলসতা বেজ তৌবা দিমা হলাম দোগা জেৱেল (দি ঐচ দি জে) গী অনী, পিপলস রিভোল্যুস্নরি পার্টি ওফ কংলৈপাক (প্রিপাক) অমসুং য়ুনাইটেদ পিপলস পার্টি ওফ কংলৈপাক (য়ু পি পি কে) গী অমমমনি।

সরেন্দর তৌরবশিং অদুনা পুরগা চেল্লকপা খূৎলায়শিং অদুগী মরক্তা এ কে ৪৭ অমসুং এ কে ৫৬ রাইফলস অমমম, কাপ্পা য়ারিবা মরূ ২৫০ রোম, রোকেট লোঞ্চর ১, লোঞ্চর সেল ২, পিষ্টোলনচিংবনি। অদুমকপু খূৎলায়গা লোয়ননা সরেন্দর তৌরক্লবশিংগী মমিং মথা অমদি মখোয়না লোয়নরকপা খূৎলায়নচিংবগী মতাংদদি আর্মিগী মায়কৈদগী চপ চানা পাউ পীথোক্ত্রি।

থৌরম অদুদা জি ও সীনা খূৎলায় থাদোক্তুনা শান্তিগী লম্বীদা চঙলক্লবা মীওইশিং অদুবু থাগৎপগা লোয়ননা মখোয়গীদমক ফংফম থোকপা খুদোংচাবশিং অদু ফংনবগীদমক ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা তকশিনগনি হায়খি। মরম খরদগী খোঙথাং লান্না চৎলুরবসু খূৎলায় থাদোক্তুনা চঙজরকপা অসিনা খুন্নাই অসিদা থৌদাং লৈবা মীশক অমা ওইনা হিংবা ঙম্লগনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

ৱাহং অমগী পাউখুমদা জি ও সীনা হায়, তম্পাক্কী মফমশিংদদি আর্মি অমসুং অসাম রাইফলসনা মপূং ফানা ওপরেট তৌবা ঙম্লে অদুমকপু চীংদদি খরা ৱানা থোক্লি। অসামগী নোর্থ কছার হিলসতা বেজ তৌবা দি ঐচ দি জেগী কাদর অনী মফম অসিদা সরেন্দর তৌরিবা অসি লূপ অসিনা মণিপুরদসু ওপরেট তৌরে হায়বা য়াবরা হংবদদি লালহৌবা হায়বসিদি মখোয়না সেফ ওইরে খঞ্জবা মফমদা লোৎপা তাবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মণিপুরগী খা থংবা শরুকশিং মরুওইনা চুড়াচান্দপুরগী হেংলেপ অমসুং পার্বুং সব দিভিজনশিংদগী আর্মিনা লালহৌবা মপূং ফানা তকথোকপা ঙমলে হায়নসু মহাক্না ক্লেম তৌখি। ঙসি সরেন্দর তৌরক্লবা লালহৌবশিং অদুগী দরকার লৈবা চে-চাং শেম শাবা লোইরবা মতুংদা পুলিস, সী আই দি অসিনচিংবনা জোইন্ট ভেরিফিকেসন চখ্খদুনা মখোয় লালহৌবা অচুম্বরা হায়বদুদি থিদোক্কনি। তশেংনা চুম্লবকান্দা সরেন্দর পোলিসিগী মতুংইন্না ফংফম থোকপশিং ফংগদবনি হায়রি।

**ওক্টোবর ২৬, ২০০৯ :** মীরোনবী নুপী অমা য়াওনা মীওই অনী শিরগা মীওই মঙা শোকহনখিবা জুলাই ২৩গী খ্বাইরম্বন্দ বজার থৌদোক অদুগী মতাংদা মণিপুর পুলিসনা মখোয়গী এফিদেবিট মতম শাংদোকপীনবা হায়জরকপদগী মতম পীরবসু ঙসি অরোইবা মতম ফাওবদা অগরৱাল কম্মিসন ওফ ইনক্বারিদা পুলিসনা মখোয়গী এফিদেবিট লানখৎপা ঙমখিদ্রে।

নাকল অমরোমদনা, রবিনা অমদি সঞ্জিৎ শিখিবা অদুগা মরী লৈননা ক্রিমিনেল প্রোসিজর কোদকী মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী মেজিষ্ট্রেটনা চখ্খবা মেজিষ্ট্রেল ইনক্বারিগী রিপোর্ট লানখৎলক্নবা খঙহনবদা মেজিষ্ট্রেল ইনক্বারি চখ্খদ্রে হায়না কম্মিসন্দা রিপোর্ট থাগৎলে হায়রি।

কম্মিসন ওফ ইনক্বারি এক্ট ১৯৫২গী মখাদা গুৱাহাটি হায় কোর্টকী রিটয়ার্দ জষ্টিশ পি জি অগরৱালনা প্রিসাইদিং ওফিসর ওইদুনা চখ্খরিবা সিত্তিং হয়েং হোটেল ইম্ফালগী কনফরেন্স হোলদা অয়ূক পুং ১০.৩০দা চখ্খগদৌরিবনি। কম্মিসন অসি হোম দিপার্টমেন্টনা হৌখিবা ওগষ্ট ২৭তা ওর্দর অমা থোক্তুনা শেমখিবনি। ওর্দর অদুগী মতুংইন্নদি কম্মিসন্না মণিপুর লৈঙাক্তা মখোয়গী রিপোর্ট থা অনীগী মনুংদা লানখৎকদবনি হায়রি। মতম অদু হয়েং অহুমশুবা সিত্তিংগী নুমিৎ অসিদা চপ চানা ফারে।

প্রেসনা ফংবা থাজনীংঙাই ওইবা পাউগী লিখুন অমগী মতুংইন্না মণিপুর পুলিসনা কম্মিসন্দা মখোয়গী এফিদেবিট পীশিনবা য়াবগী মতম ঙসি লোইরবসু অথেংবা ফাওবদা পীশিনখিদ্রে হায়রি। পুলিসনা মখোয়গী এফিদেবিট পীশিনবগী মতম নুমিৎ ১৫নিদং শাংদোকপীয়ু হায়না কম্মিসন্দা হায়জরকপদগী জষ্টিশ অগরৱালনা ঙসি ফাওবা মতম শাংদোকখিবনি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়বদা থোকচোম রবিনা অমদি চুংখাম সঞ্জিৎ অনী শিখিবগী মতাংদা ক্রিমিনেল প্রোসিজর কোদকী মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা চখ্খবা মেজিষ্ট্রেল ইনক্বারিগী রিপোর্ট কোপি অমা পীখৎলক্নবা খঙহনখিবদুগী পাউখুম ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা মেজিষ্ট্রেল ইনক্বারি চখ্খিদ্রে হায়না খঙহল্লক্লে হায়রি।

লৈঙাক্না জুদিসল ইনক্বারি তৌরগদৌবনা মেজিষ্ট্রেল ইনক্বারি মথৌ তাদ্রে হায়না হোম দিপার্টমেন্টনা ওর্দর থোকপা লৈখিবনা মেজিষ্ট্রেল ইনক্বারি তৌদবনি হায়নসু কম্মিসন্দা খঙহনখিবনি হায়রি।

কম্মিসনবু মতেং পাংনবা কাউন্সেল অমা হাপ্পবা মণিপুর লৈঙাক্তা খঙহনখিবা অদুগী মতাংদদি কাউন্সেল অদু হাপ্পবরা হাপত্রিবরা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। কম্মিসনগী মায়কৈদগী মণিপুর লৈঙাক্কী লো সেক্রেটরিদা কাউন্সিল হাপ্পবা চে ইখিবা লৈরবনি হায়রি। লৈখিদ্রবগী ইমুং অমদি অশোকপশিংদা সমোন থাবগা মরী লৈননদি এস পি ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি ইম্ফাল ইষ্টকী মায়কৈদগী কম্মিসন্দা রিপোর্ট পীখৎলক্লে হায়রি।

রিপোর্ট লানখৎলক্কদবনি হায়বা মতম থা অনী অদু ফারক্লবসু অপোকপা সুভাসচন্দ্রখক নত্তনা কনাগুম্বা অমত্তনা কম্মিসন্দা লাক্তুনা জবান পীরদ্রি। এফিদেবিটসু কনামত্তা পীশিন্নরকখিদ্রবনি।

**ওক্টোবর ২৬, ২০০৯ :** জুলাই ২৩গী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল থৌদোক্কা মরী লৈননা চঙশিল্লিবা, মীয়ামগী খোঙজংগী ৱারোইশিন অমা পুরক্ত্রিবফাওবা হরাও কুম্মৈ লেপ্পীয়ু হায়না অপূনবা লূপ (ৱার্কিং কম্মিটি ওফ অপূনবা লূপ) না আপিল তৌরি।

খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী য়াম্না লাইবক থীবা থৌদোক অদুদা চেন্নবা মণিপুর পুলিস পর্সনেলশিং মতিক চাবা চৈরাক পীয়ু, থৌদোক অদুবু কুপশিন্নবা হোৎনবা মকোক থোংবা পুলিস ওফিসরশিংগী মথক্তা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎলু, ঈহৌ অসিগা মরী লৈননা ফাজিনখিবা অপূনবা লূপকী থৌমীশিং সর্ত্ত অমত্তা য়াওদনা থাদোকউ অমসুং চীফ মিনিষ্টর মোরেল গ্রাউন্দদা ফম থাদোকউ হায়বা দাবীশিং তকশিন্দুনা অপূনবা লূপনা মীয়ামগা লোয়ননা ঈহৌ চঙশিন্দুনা লাক্লি। ঈহৌ অসিগী মতাংদা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা সেনিয়র সিটিজন ফোর সোসাইটিগী অহলশিংনা গভর্ণমেন্ট অমসুং অপূনবা লূপ্তা তৌরক্লিবা আপিল অপূনবা লূপনা লূম্না লৌই হায়না অপূনবা লূপকী চেরোল অমনা হায়রি।

জে এ সী অমসুং মহৈরোয়শিংনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি মণিপুরদা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমক্কী তুংগী পুন্সিদা থোক্লক্কদবা মীহাৎ মীপূনগী পুন্সিদগী কঞ্জনবা খোঙথাংনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রি।

**ওক্টোবর ২৬, ২০০৯ :** হৌখিবা তাং ২৪দা সাউথ দিল্লিদা মণিপুরদগী নুপীমচা অমা হাৎলম্বগা মরী লৈননা পুলিসনা ফাগৎলকখিবা ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি (আই আই টি) গী পি ঐচ দি স্কোলার অদু 'ওবসেসিব কম্পলসিব দিসওর্দর' না নারবা মীওই অমনি হায়না দিল্লি পুলিসনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

দেপ্যুটি কম্মিস্নার ওফ পুলিস (সাউথ) ঐচ জি এস ধরিৱালনা পাউমীশিংদা হায়, 'পুসপম সিনহা অসি ওবসেসিব কম্পলসিব দিসওর্দরনা নাবা মীশকনি। মহাক্কী অশানবা য়ূমগী কাদগী ৱাখল চোইবগী ৱাখল্লোন উথোকপা আর্টিকল খরা অমসু ফাগৎলে।

ময়ূম পাল্লবা সিনহা অসি পুলিসনা পুং ৪ রোম চূপ্না অকনবা ৱাহং পাউহং চখ্খরবা মতুংদা ঙসি অথেংবদা ফাখিবনি। পুলিসনা ফোঙদোকপা মতুংইন্না মহাক্কী য়ূমলোন্নবা চহী ১৯ রোম শুরবী রমচনফি হোংগ্রেবু মহাক্কী সাউথ দিল্লিদা লৈবা মনিরকা য়ূমদা মঙকশম লাকহৎতুনা হাৎখিবনি হায়না মশানা মরাল য়াজরে। পুলিসনা নুপীমচা অদু শোয়বদগী মশা মথন্তা শিজবা মান্নবা মওংদা নুপী মচা অদুগী মমায় অদু মহাক্না মৈ থাদোক্লমখি হায়রি।

নুপীমচা অদু রেপ তৌখি হায়বা ৱাফমদি পুলিসনা য়াদ্রি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।